# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, APRIL 10, 2015 PAGE 7




য়ু এসকী চার্লিষ্টোন্দা পাংথোকপা ফেমিলি সর্কল কপ টেনিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দদা কানাদগী বোকার্দপু মায়থিবা পীরম্বী য়ু এস এগী লোরেন দেবিস

রাইওয়ো ভালেকানোবু পাঞ্জল ২–০দা থোইখিবা রিএল মাদ্রিদকী মশাগী পাঞ্জল ৩০০ শুবা ঙমদুনা হরাওবা ফোংদোক্লিবা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো



## ইন্দিয়ানা কানাদাবু পাঞ্জল ৫–৩দা থোইরবসু টাইটলগী লমজেলদি য়াওবা ঙম্লরোই

**ইপোহ, এপ্রিল ৯ঃ**
ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম ঙসি মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাংথোক্লিবা ২৪শুবা সুল্টান অজলান সহা কপ মেন্স ইন্টর্নেসনেল হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০১৫দা কানাদাবু মরিশুবা রাউন্দদা পাঞ্জল ৫–৩দা থোইবা ঙমখ্রবসু টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ফংনবগী লমজেলদি য়াওবা ঙম্লরোই।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ঙসি মায় পাকখিবা অসি মখোয়গী ওইনা মেটচ মরি শান্নবদা অহানবনি। পনবা য়াই, ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচদা সোউথ কোরিয়াগা পাঞ্জল ২–২দা ড্রো চৎখি। অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা মেটচ ন্যু জিলেন্দ অমদি য়ুম্বু মালেসিয়াগী মখুৎতা মায়থিবা নংখি।

ইন্দিয়াগী টিম অসি ৱার্ল্ড হোক্কিগী রেঙ্কিংদা মাপলশুবদা লৈরিবনি। অমরোমদা ঙসি মখোয়গা লম্বা তৌখিবা কানাদাগী টিম ৱার্ল্ড নম্বর ১৫নি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনি চনবা ঙমখি। হৌরকপদগী হৌনা এটেক্ট হেনখিবা ইন্দিয়ানা শান্নবগী ১৩শুবা মিনিটতা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোই রুপিন্দর পাল সিংহনা পাঞ্জল ওস্থোকখি।



*ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা কানাদাগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোংদোকমীন্নবা*

অনিশুবা পাঞ্জল অদুনা টিম অদুমক্কী ভি আর রগুনাথ না শান্নবগী ৩২শুবা মিনিটতা পেনালটি কোর্নর অমগী মতেংনা চনখি।

অনিশুবা হাফতা পাঞ্জল অনি শোথখিবা কানাদানা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি।

ইন্দিয়াগী রমনদিপনা ৪৬ অমদি ৪৭শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অনি থংন–থংননা চনবা ঙমখি। ইন্দিয়ানা কানাদাবু ৪–১দা মাংজিল থারকখি।

কানাদাগী মায়কৈদগী ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৪–১দা মাংজিল থাদুনা লৈরিঙৈ টিম অদুগী জগদিস গিলনা মখোয়গী অনিশুবা পাঞ্জল চন্দুনা ৪–২দা লৈখি। শান্নবা লোইগদবা মতম মিনিট ১১ খক্তা ঙাইরবা মতমদা ইন্দিয়াগী সতবির সিংহনা মখা তানা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা ৫–২দা কানাদাবু ইন্দিয়ানা মাংজিল থাখি। মেটচ লোইগদবা মিনিট ৮দা ঙাইরবা মতমদা কানাদাগী মায়কৈদগী দেবিদ জেমসননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা স্কোর বোর্দ অদু ৩–৫তা লৈখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক থোংদুনা লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ৩–১দা মায়থিবা পীখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী ব্রুদ্দরস্পুন, দাইয়র অমসুং হেৱার্দনা গোল অমমম চনখি। অদুগা ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী হেৱার্দনা পাঞ্জল অমখক চনখি।

য়ুম্বু মালেসিয়ানা অমসুং সাউথ কোরিয়াগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাউথ কোরিয়ানা ৩–২দা থোইখি। কোরিয়াগী মায়কৈদগী জুন, নাম য়োং অমসুং য়ুং জিননা পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগা মালেসিয়াগী মায়কৈদগী শারি অমসুং রহিমনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখি।

হয়েং ন্যু জিলেন্দ অমসুং কোরিয়াগা শান্নগদবা মেটচনা ওষ্ট্রেলিয়াগা ফাইনেল শান্নগদবা খঙগদৌরি। ন্যু জিলেন্দ পোইন্ট ৯ ফংলি। অদুবু কোরিয়ানা পোইন্ট ৭নি। করিগুম্বা মখোয় অনিগী মেটচ ড্রো চৎলবদি ন্যু জিলেন্দ ফাইনেল শান্নরগনি। অদুগা সাউথ কোরিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু থোইবা তারবদি ওষ্ট্রেলিয়াগা মখোয় অনি ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি।

| Team | Pld | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Australia | 4 | 4 | 0 | 0 | 18 | 5 | 13 | **12** |
| New Zealand | 4 | 3 | 0 | 1 | 12 | 6 | 6 | **9** |
| South Korea | 4 | 1 | 1 | 1 | 10 | 10 | 0 | **7** |
| India | 4 | 1 | 1 | 2 | 10 | 10 | 0 | **4** |
| Malaysia | 4 | 1 | 0 | 3 | 9 | 12 | –3 | **3** |
| Canada | 4 | 0 | 0 | 4 | 4 | 20 | –16 | **0** |

## মমাংগী চেম্পিয়ন কে কে আরনা আই পি এল ৮গী অহানবা মেটচতা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সপু ব্রিকেট ৭তা মায়থিবা পীখ্রে

**কোলকতা, এপ্রিল ৯ঃ**
ইন্দিয়না প্রেমিয়র লিগ টি–২০ টুর্নামেন্টকী ঙরাং কোলকতাগী ইদেন গার্দেন্সতা শান্নখিবা লিগ অসিগী ৮শুবা সিজনগী অহানবা মেটচতা মমাংগী চেম্পিনসু ওইরিবা কোলকতা নাইট রাইদর্স (কে কে আর)না মুম্বাই ইন্দিয়ান্সপু ব্রিকেট ৭তা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙরাংগী মেটচ অদুগী টোর্চস কে কে আরগী কেপ্টেন গৌতম গম্ভিরনা ঙমদুনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সপু হান্না বেটিং তৌহনখি। মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী কেপ্টেন রোহিত শর্ম্মনা লুচিংদুনা টিম অদুগী স্কোর ওভর ২০দা ব্রিকেট ৩ টুরগা রন ১৬৮ লৌরমখি।

টিম অদুগী অরোন ফিন্স, অদিটয়া তারে অমসুং অম্বাটি রাইয়ুদুনা রন ১২ খক লৌরমখি। মদুনা ফিন্সকী ৫ অমসুং তারেগী ৭নি। রাইয়ুদুদি রন অমত্তা লৌবা ঙমখিদে। মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী কেপ্টেন ওইরিবা রোহিট শর্ম্ম অমসুং কোরি এন্দরসননা টিম অদুগী স্কোর অদু ৩৭ লৈরম্বদগী ১৫১ হাপচিন্দুনা অপুন্বা স্কোর ১৬৮ লৈহনখিবনি।



*মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী বেটচমেন অনি আউথ তাহনখিবা মেন ওফ দি মেটচ ফংখ্রবা কে কে আরগী মোর্নি মোর্কেল (ময়াই)*

মদুদা রোহিট শর্ম্ম আউট ওইদনা বোল ৬৫দা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ১২ য়ৈরগা রন ৯৮ লৌখি। লোয়ননা কোরি এন্দরসন্সসু বোল ৪১দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৪ য়ৈদুনা রন ৫১ লৌবা ঙমখি।

কোলকলত নাইট রাইদর্সকী মায়কৈদগী বোল্লর মোর্নি মোর্কেলনা ওভর মরি লংবদা ব্রিকেট মরি লৌরগা শুপ্পগী রন ১৮ খক পীখিবা অদুদা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইখি।

মেটচ মায় পাক্লনবা কে কে আরনা রন ১৬৯গী টার্গেট অদু লম্থোক্লগা ওভর ১৮গী অহুমশুবা বোলদা ব্রিকেট ৩ খক তুরগা রন ১৭০ য়ৌখিদুনা মেটচ অদু মখোয়না ব্রিকেট ৭তা থোইবা ঙমখি।

কে কে আরগী ইনিংস হৌরকপা ওপনর উথাপা রন ৯ খক লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুং শিল্লকখিবা মনিস পান্দে অমসুং কেপ্টেন গম্ভীরনা অনিশুবা ব্রিকেট পাটনর্সিপকীদমক রন ৮৫ ওভর ১০দা হাপচিন্দুনা অপুনবা স্কোর অদু ৯৮ শুরকখি। পান্দে বোল ২৪দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ২ য়ৈরম্লগা রন ৪০দা আউট ওইখি।

মহাক্কী মতুং শিল্লকখিবা সুরিয়কুমার য়াদব অমদি গম্ভীরনা ইনিংস মখা চত্থরকপদা রন ১২১ শুরকখি। তাঞ্জা অদুদা গম্ভীর রন ৫৭তা আউথ ওইখি। মহাক্কী ইনিংস অদুদা সিক্স ১ ফোর ৭ য়ৈরমখি। লেমহৌবা ওভর ৫গা বোল ৪দা য়াদব অমসুং য়ুসুব পথাননা মখা তানা আউট ওইদনা শান্নবা ঙমদুনা মায় পাক্লবগী দরকার ওইখিবা রন ১৬৯দগী অমা লাম্থোক্লগা মেটচ অদু ব্রিকেট ৭দা কে কে আরনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সপু থোইখি।

সুরিয়কুমার য়াদব মহাক্কী অতেনবা ইনিংস অদুদা বোল ২০ মায়োক্লবা সিক্স ৫ অমদি ফোর ১ য়ৈরম্বা ঙমখি। অমরোমদা আউট ওইদনা লৈখিবা মহাক্কা পুন্না শান্নমীন্নখিবা য়ুসুপ পথাননা বোল ১২দা সিক্স অমসুং ফোর অমমম য়ৈরম্লগা রন ১৪ লৌখি।

ঙসি চেনাই সুপর কিংসকা দিল্লি দিয়র দেবিলসকা শান্নরগনি।

## মেসি অমসুং স্বারেজগী পাঞ্জলনা বর্সেলোনা মায় পাকখ্রে

**বর্সেলোনা, এপ্রিল ৯ঃ**
স্পেনিস ফুটবোল লিগকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা মেসি অমসুং স্বারেজগী পাঞ্জলনা বর্সেলোনাবু অলমেরিয়াগা শান্নবদা পাঞ্জল ৪–০দা মায় পাকহনখ্রে।

বর্সেলোনা টিমগী হোম গ্রাউন্দ সান্টিয়াগো বর্নেবুদা অলমেরিয়াগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা লুই স্বারেজগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনি চনখি। অদুগা লিয়োনেল মেসিনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুগা মরিশুবা পাঞ্জল অদুনা মার্ক বাত্রনা চনখিবনি।

লিগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা বর্সেলোনাগা কন্না লম্বা তৌনরিবা রিয়েল মাদ্রিদনা রাইও ভালেকানোবু পাঞ্জল ২–০দা মায়থিবা পীখি। মাদ্রিদকী মায়কৈদগী খৃষ্টিয়ানো রোনালদোনা মহাক্কী ৩০০লক শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

মহাক্ন লিগ অসিগী ওইনা ঙরাং চনখিবা পাঞ্জল অদু ৩৭লক শুবা পাঞ্জলনি। অদুগা লিগ অসিগী ওইনা ৩০০ লক শুবা পাঞ্জলনি।



*বর্সেলোনাগী স্বারেজ অমসুং মেসিনা পাঞ্জল চনখ্রবা মতুং হরাওবা ফোংদোক্লমীন্নবা*

### এফ এ কপ

ইংলন্দা পাংথোকপা এফ এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং ব্লেকবর্নদা শান্নবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা লিভরপুলনা য়ুম্বু ব্লেকবর্ন রোভর্সপু পাঞ্জল ১–০দা থোইদুনা সিমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

লিভরপুলগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী মিনিট ৭০দা টিম অসিগী ব্রজিল মচা ফিলিপ কোটিনোনা চনখিবনি। সিমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা লিভরপুলনা এফ এ কপগী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্নবগীদমক থা অসিগী ১৯দা এষ্টোন ভিল্লাগা লম্বা তৌনগনি।

### জর্মন কপ ফুটবোল

বেয়র্ন ম্যুনিকনা বেয়র লেভরকুসেনবু পেনালটিদা থোইদুনা সেমিফাইনেল চংখ্রে। ঙরাং বর্লিন্দা শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা মমাংগী চেম্পিয়ন বেয়র্ননা লেভর কুসনবু পেনালটি সুট আউটতা পাঞ্জল ৫–৩দা মায়থিবা পীখিবনি। কপ অসিগী সেমিফাইনেল য়ৌখ্রবা টিম অদুদি বোরুসিয়া দোর্টমুন, ৱোফসবর্গ অমদি আর্মিনিয়া বিলেফেল্ডনি।

## স্পোর্টস মিনিষ্টরনা মতেং পীনবা হায়খ্রে

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৯ঃ**
হারিয়ানা রাজ্যদা লৈবী নেসনেল বোক্সর অমদি ষ্টেট অদুগী চেম্পিয়নসিপতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবী হৌজিক হৌজিক শেল লৈতবনা মরম ওইরগা মীগী য়ুমদা কোলিক ফেংদুনা পৈশা তাল্লিবী বোক্সর রিসু বিটলবু ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱালনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমদি বোক্সিং ইন্দিয়াদা মহাকপু পীবা য়াবা মতেং পীননবা হায়খ্রে।

ৱাফম অসি মহাক্ন ঙসি লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা পাউগী এজেন্সি অমা ওইরিবা পি টি আইগা ৱারি শান্নবদা ফোংদোকখিবনি। মহাক্ন মখা তাখিবদা সাই অমসুং বোক্সিং ইন্দিয়ানা নহা ওইরিবী বোক্সর রিসু মিটলগী মতাংদা দরকার লৈবা মতেং পুন্নমক পীগদবনি হায়খি। সোনোৱালনা হরিয়ানা সরকারদসু বোক্সর অসিগী মতেং পীননবসু ফোংদোকখ্রে হায়না এজেন্সি অসিগী পাউনা মখা তারি।

## ইন্দিয়া ফিফা রেঙ্কিংদা ১৪৭দা হাইগৎখ্রে

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৯ঃ**
ইন্টর্নেসনেল ফুটবোল ফেদরেসন (ফিফা)না ঙসি থোকখিবা ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা রেঙ্কিংদা ইন্দিয়া হান্না পোজিসন ১৭১দা লৈরম্বদগী ২৪ চোংখৎতুনা হৌজিক হৌজিক ১৪৭শুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখ্রে।

মমাংগী থাদা ২০১৮ ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফায়িং রাউন্দগী অহানবা ফেজগী নেপালগা শান্নবা মেটচ অদুদা এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ২–০দা থোইদুনা অনিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। নেপালবু মায়থিবা পীখিবা অদুনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসিনা পোইন্ট ২৬ ফংবগা লোয়ননা পোজিসন ২৪ হাইগৎপা ঙমখিবনি।

অমরোমদা ভুটানগী ফুটবোল টিমসু ২০১৮ ৱার্ল্ড কপ ফুটবোলগী ক্বালিফায়িংগী টুর্নামন্টেকী অহানবা রাউন্দা শ্রি লঙ্কাবু এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ৩–১দা থোইদুনা মখোয়দা হান্না ফিফাগী রেঙ্কিংদা পোজিসন ২০৯দা লৈরম্বদগী মফম ৪৬ হাইগৎতুনা হৌজিক হৌজিক ফিফাগী রেঙ্কিংদা ১৬৩শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

ফিফানা খ্বাইদগী নৌনা থোকখিবা রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা ভুটান খ্বাইদগী অরোইবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি। মখোয়না শ্রি লঙ্গা থোইবদগী পোজিসন হাইগৎখিবনা মরম ওইরগা টিম অদুগী মহুৎতা অঙ্গুইলানা ২০৯ শুবা পোজিসন অমুক লৈহৌরি।

অঙ্গুইলাগী টিমবু নিকারগুৱানা হৌখিবা থাদা পাংথোকখিবা সেন্ট্রেল অমেরিকাগী ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফায়িংগী মেটচতা এগ্রিগেটতা ০–৮তা মায়থিদুনা অরোইবা পোজিসন্দা লৈহৌবনি।

রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা মকোক থোংবা টিম ১০ অদুদি – ১) জর্মনি, ২) আর্জেন্টিনা, ৩) বেলজিয়ম, ৪) কোলোম্বীয়া, ৫) ব্রাজিল, ৬) নেদরলেন্দ, ৭) পোতুগাল, ৮) উরুগুৱে, ৯) স্বিজরলেন্দ অমসুং ১০) স্পেননি।

এসিয়াগী ওইনা থাক ৫ থোক্না খাইদোক্তুনা থল্লীবা অসিগী মনুংদা মকোক থোংবা থাক্তো ইরাননা মাংজিল থারি। মথংদা জপান, সাউথ কোরিয়ানা অহুমশুবা, ওষ্ট্রেলিয়ানা মরিশুবা, মঙাশুবদা য়ু এ ই, উজবেকিস্থাননা তরুকশুবা, চাইনানা তরেৎতা, ইরাননা নিপালদনি। মদুগী মতুংদা সাউদি অরাবিয়নানা মাপনশুবা, ওমাননা তরাশুবদা লৈরি।

এসিয়াগী নম্বর ৱান ওইরিবা ইরানগী টিম অসি ২০১৪গী ব্রাজিলদা পাংথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াবা ঙমখিবনি। লোয়ননা হৌজিক্কী ওইনা মালেমগী ৪০শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

| DATE | TEAM 1 | VS | TEAM 2 | VENUE | RESULT | TIME (IST) |
|---|---|---|---|---|---|---|
| April 8 | KKR | Vs | Mumbai Indians | Kolkata | KKR | 2000 |
| April 9 | CSK | Vs | Delhi Daredevils | Chennai | | 2000 |
| April 10 | Kings XI Punjab | Vs | Rajasthan Royals | Pune | | 2000 |
| April 11 | CSK | Vs | Sunrisers Hyderabad | Chennai | | 1600 |
| April 11 | KKR | Vs | RCB | Kolkata | | 2000 |
| April 12 | Delhi Daredevils | Vs | Rajasthan Royals | Delhi | | 1600 |
| April 12 | Mumbai Indians | Vs | Kings XI Punjab | Mumbai (W) | | 2000 |
| April 13 | RCB | Vs | Sunrisers Hyderabad | Bangalore | | 2000 |
| April 14 | Rajasthan Royals | Vs | Mumbai Indians | Ahmedabad | | 2000 |
| April 15 | Kings XI Punjab | Vs | Delhi Daredevils | Pune | | 2000 |
| April 16 | Sunrisers Hyderabad | Vs | Rajasthan Royals | Visakhapatnam | | 2000 |
| April 17 | Mumbai Indians | Vs | CSK | Mumbai (W) | | 2000 |
| April 18 | Sunrisers Hyderabad | Vs | Delhi Daredevils | Visakhapatnam | | 1600 |
| April 18 | Kings XI Punjab | Vs | KKR | Pune | | 2000 |
| April 19 | Rajasthan Royals | Vs | CSK | Ahmedabad | | 1600 |
| April 19 | RCB | Vs | Mumbai Indians | Bangalore | | 2000 |
| April 20 | Delhi Daredevils | Vs | KKR | Delhi | | 2000 |
| April 21 | Rajasthan Royals | Vs | Kings XI Punjab | Ahmedabad | | 2000 |
| April 22 | Sunrisers Hyderabad | Vs | KKR | Visakhapatnam | | 1600 |
| April 22 | RCB | Vs | CSK | Bangalore | | 2000 |
| April 23 | Delhi Daredevils | Vs | Mumbai Indians | Delhi | | 2000 |
| April 24 | Rajasthan Royals | Vs | RCB | Ahmedabad | | 2000 |
| April 25 | Mumbai Indians | Vs | Sunrisers Hyderabad | Mumbai (W) | | 1600 |
| April 25 | CSK | Vs | Kings XI Punjab | Chennai | | 2000 |
| April 26 | KKR | Vs | Rajasthan Royals | Kolkata | | 1600 |
| April 26 | Delhi Daredevils | Vs | RCB | Delhi | | 2000 |
| April 27 | Kings XI Punjab | Vs | Sunrisers Hyderabad | Mohali | | 2000 |
| April 28 | CSK | Vs | KKR | Chennai | | 2000 |
| April 29 | RCB | Vs | Rajasthan Royals | Bangalore | | 2000 |
| April 30 | KKR | Vs | CSK | Kolkata | | 2000 |
| May 1 | Delhi Daredevils | Vs | Kings XI Punjab | Delhi | | 1600 |
| May 1 | Mumbai Indians | Vs | Rajasthan Royals | Mumbai (W) | | 2000 |
| May 2 | RCB | Vs | KKR | Bangalore | | 1600 |
| May 2 | Sunrisers Hyderabad | Vs | CSK | Hyderabad | | 2000 |
| May 3 | Kings XI Punjab | Vs | Mumbai Indians | Mohali | | 1600 |
| May 3 | Rajasthan Royals | Vs | Delhi Daredevils | Mumbai (B) | | 2000 |
| May 4 | CSK | Vs | RCB | Chennai | | 1600 |
| May 4 | KKR | Vs | Sunrisers Hyderabad | Kolkata | | 2000 |
| May 5 | Mumbai Indians | Vs | Delhi Daredevils | Mumbai (B) | | 2000 |
| May 6 | RCB | Vs | Kings XI Punjab | Bangalore | | 2000 |
| May 7 | Rajasthan Royals | Vs | Sunrisers Hyderabad | Mumbai (B) | | 2000 |
| May 7 | KKR | Vs | Delhi Daredevils | Kolkata | | 2000 |
| May 8 | CSK | Vs | Mumbai Indians | Chennai | | 2000 |
| May 9 | KKR | Vs | Kings XI Punjab | Kolkata | | 1600 |
| May 9 | Delhi Daredevils | Vs | Sunrisers Hyderabad | Raipur | | 2000 |
| May 10 | Mumbai Indians | Vs | RCB | Mumbai (W) | | 1600 |
| May 10 | CSK | Vs | Rajasthan Royals | Chennai | | 2000 |
| May 11 | Sunrisers Hyderabad | Vs | Kings XI Punjab | Hyderabad | | 2000 |
| May 12 | Delhi Daredevils | Vs | CSK | Raipur | | 2000 |
| May 13 | Kings XI Punjab | Vs | RCB | Mohali | | 2000 |
| May 14 | Mumbai Indians | Vs | KKR | Mumbai (W) | | 2000 |
| May 15 | Sunrisers Hyderabad | Vs | RCB | Hyderabad | | 2000 |
| May 16 | Kings XI Punjab | Vs | CSK | Mohali | | 1600 |
| May 16 | Rajasthan Royals | Vs | KKR | Mumbai (B) | | 2000 |
| May 17 | RCB | Vs | Delhi Daredevils | Bangalore | | 1600 |
| May 17 | Sunrisers Hyderabad | Vs | Mumbai Indians | Hyderabad | | 2000 |
| May 19 | Qualifer 1 | | | TBC* | | 2000 |
| May 20 | Eliminator | | | TBC* | | 2000 |
| May 22 | Qualifer 2 | | | TBC* | | 2000 |
| May 24 | FINAL | | | Kolkata | | 2000 |

## ই সি এস লৌনবা খঙহলক্লি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ৯ঃ**
হন্দক্তা কেরেলানা য়ুম্বু ওইরগা পাংথোকখিবা ৩৫শুবা নেসনেল গেমসতা মণিপুর রাজ্যগী মহুৎ শিন্দুনা মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোইশিংনা ই সি এস (ইলেক্ট্রোনিক ক্লিয়ারিং সার্ভিস)গী ফোর্মেট খুমনলম্পাক্তা লৈবা ডাইরেক্টোরেট ওফ য়ুথ এফিয়রস এন্দ স্পোর্টসতগী লৌনবা প্রেসতা ডাইরেক্টোরেট অসিনা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ই সি এস অসিনা এন ই সি চিয়ারমেন স্পোর্টস এৱার্দকীদমক মরু ওইবা চে ওইগদৌরিবনি। ফোর্মেট অসি মেনশিল্লগা থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা এন ই সিদা থাগৎকন্দবনি হায়রি।

## মৈতৈশিংগী মহৌশাদগী শাগোন্নরক্লবা মশান্নশিং

ডাঃ ৱাংখেময়ুম বুধ সিংহ

### মশান্নশিংবু য়োক্লিবা লাইহরাওবা অমসুং লৈবাক্কী রোওবা কুম্মৈশিং

*মৈতৈগী মশান্নশিং অসি পীক্লিবা অঙাংশিংনা নুঙাইহনবা শান্নজবা চাউরবা মীশিংগী মনুংগী ওইবা শান্নবা অমসুং ইমুং মপাল থোক্তুনা শান্নবা অসুম্না মখল কয়া থোকই। পীক্লিবা চহি মঙা তরুক্কী অঙাংশিং অমসুং পুংকক চাউরবা কাঙবুনা শান্নবা খরা মথক্কী তাঙ্কক খরদা নৈনখিবদু তঙ তানা সংস্থান শেমদুনা য়োকখৎপা নত্তে। মখোঙগা নক্নবা মশান্না খরা মালেমগী মফম কয়াদা পোকখিবসি মীওইবগী হৌনশানি।*

*পাউখোঙ চন্দুনা শান্নবসি লৌশিং চাংয়েং তৌনবা অমসুং অঙাংশিংনা নুংঙাইথোক্নবগী মরম অমনি। অপোবনা চানবা পোৎ কোংবা, অথোইবা মীদুগী থবক নোম্বা অমসুং মনাই ওইবা হায়নসু শান্নরকই। মখোয়না পামজবা অমসুং মতম লেম্থোক্নগী শান্নবা মখলনি। মথন্তগী ওইনা পাখোঙ চনবা অমসুং ফোঙবনা অঙাংশিংগী মশান্না খরা শিথহন্দবা প্রমান ওই।*

*পাখোঙ য়াওদবীদা শান্নবা উরাউবী তান্নবা, মরুম কোনবী ওলীশুন্দা (চৈতেক কোৎপী) থোমদুনা শান্নবা, কাউ কক্নবা করিগুম্বা মফম খরদা (পোরোপ কক্নবা) থবী ফুকপী মাইরেল ফুকপী, পাস কান্দীনচিংবা শান্নবা মখল কয়া তৌরম্বসি খুন্নাই অমা শেমগৎনবা চত্থরকপা পরেং (সোসিয়েলাইজেসন প্রোসেস) মখল ঙাকনি।*

*ক) লাই হরাওবা*

*থৌরম অসিদা মৈতৈগী মশান্নশিংবু ঙসি ফাওবদা মুৎতনা হিংহন্দুনা থম্বা ময়েক শেংনা উরি। 'লাই হরাওবা' হায়বসি লাইবু পেলহন্দুনা মীওইবশিংবু অফবা লম্বীদা পুরক্তুনা মখোয়না নুঙাই য়াইফবা পুন্সি নুংশাংবা ফঙনবা অমসুং মীওইবগী পুন্সিদা পাঙথোক্লিবা অমদি তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা শিনফম অমসুং চৎনরোল উৎপা থৌরম অমনি। মীওইবগী পুন্সিগা শাগোন্নরিবা মশান্নশিং মসিদা নিংথিনা য়াওদুনা লৈরি। মৈতৈ তাবা মফম খুদিং শীনবা থুংনা লৈকায় খুঙ্গংশিংদা মরু ওইনা পাঙথোকনৈ। উমং লাইগী লাইবুং অমসুং হরাওবুং হায়বসি মশান্না উৎনবগী মফমনি। হৌরকফম অমসুং চাওখৎলকফমনি।*

*কুপশিংন্না য়েংবদা খেন্নবা খরা খরা লৈরবসু 'লাই হরাওবা' মখল মরি কংলৈ চকপা (আন্দ্রো, ফয়েং), ককচিং অমসুং মোইরাং অসিমক্তদা মপুঙ ওইনা মশান্নশিংনা শাগোন্নদুনা লৈবনা মশান্নশিং অসি য়াওনা উৎত্রবদি নত্রগা পাংথোক্ত্রবদি মপুঙ ফাদবগুম উগনি। হরাওবা খুদিংমক্তা মরু ওইনা লাইরোই নুমিৎতা মশান্না কয়া পাংথোকই, শম্না মোইরাং হরাওবদদি হরাওরিঙৈ মনুংদা মুক্না, লমজেল তৌই।*

*মশান্নশিং অসি লাই হাক্তক্তগী পাংথোক্নরক্লবনি লৌনৈ। লাইগী মচা মশুনি, লাইনা তৌরম্বনি হায়না খন্নবসিমক্তনা হরাওবদা মশান্নশিংবু পাংথোক্লরিবনি। লাইগী থৌরমগা পুনশিন্নদুনা লৈরম্বসিমক্না মশান্নশিং য়োকখৎতুনা থম্নরক্পগী মরম অমসুনি।*

*লাই হরাওবা অসি করম্বা মতমদগী হৌদোকখিবনো হায়বসি তঙতানা খঙবা ঙমদ্রবসু অসুম্না লৌনৈ– 'লাই হরাওবা অসি ইহান হানবদা লাই ময়াম্না নোংপোকপু লাইগী নিংথৌ সোরারেন হাপ্পা মতমদা খৃষ্টমাঙ শতাব্দী মরিগী অদুৱাইদা খাব লৈরেল খৈনা হৌদোক্লম্বদগী (পাম্থোইবী খোঙ্গুল) মথং মথং লাকপনা ঙসিগী অসি ওইরবনি।' লাক্ন–ফনবা, থাঙ–তা মুক্না মৈতৈশিংনা হৌরকঙৈদগী শীজিন্নরকপনা লাই হরাওবদা থৌরমশিং অসি হাপচিন্দুনা লাকপনি। মপা মপুশিংবু লাই ওইনা খনবা, লাইমক্লি লৌশিনবা ৱাফম লৈবনা 'উমংলাই হরাওবদা' মরুওইনা মীওইবনা তৌরিবা থৌরম কয়া য়াওরিবনি। 'লাইনা মী শেম্মী মীনা শেম্লগা 'লাই' ওই পাউরৌনৈ।*

*নুং অমসুং পান অনিমক্তা য়েংবদা মপাম্থোংদা হায়বদি লাইরোল লাইশেল লোইরগা পাঙথোকপা থৌরম্বু পানাগী পনখৈনুংদা থম্লগা (খুদম ওইনা, কংলৈ হরাওবদা হরাওবা নোংঙাল্লগা পাংথোকপা থৌরম), অদুগা মনুং হুঞ্জিন্না লাইরোল লাইশোন তৌরিঙৈ মনুংমক্তদা তৌববু নুংগী পনখৈনুংদা চনশিল্লগা নৈনফম থোকই। নুংগী ওইনা হরাওবগী থৌরমনুংদা 'লমচেল' অসিমক লাইপুবশিং অমসুং লাইপুবীশিংনা লাই ফানখোঙ তান্না চেন্দুনা পাংথোক্লরি। লাইরেম্বীগী কাংলুপনা থোইহন্নিংবা মওংসু উৎলি। নুপীবু খুন্নাইসিদা হন্থবা থাক্তা থমদবা মওংনি। লৈখিদ্রবা তখেল্লম্বম বোকুলনা ৱাখল অমসুং লৌশিং অনিনা থিরিবা অপেনববু ৱাখলনা ফংদ্রবদা লৌশিংনা ফংবা ঙমদুনা মপু মাগী মফমদা তিল্লি হায়বা উৎনবা লাই হরাওবদা লমজেল তান্নবা হায়দুনা লাইরোন ওইনা য়াওরম্মীবনি হায়না ফোংদোক্লম্বসু থেংনৈ।*


ꯀꯥꯏꯃꯦ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯑꯦꯜ Regd. No. : 456/M/SR/2010 MtG BOOKS

**KIME TUTORIALS**

An Institute Collaborated with MTG Books, New Delhi
Singjamei Chingamathak, Imphal

ADMISSION OPEN

CLASS XII-STARTED ON 19TH MARCH
CLASS XI-1st BATCH | STARTING ON 2nd
CLASS X-2nd BATCH | WEEK OF APRIL

Faculties :
Science : Sunil Sharma(X & XII), Dr. S.N. Singh(X & XII), M. Momota Devi(X & XII), L. Anandi Devi(X & XII), Birachandra(X & XII)
Social Science : A. B Singh(X), K. Brajamani(X), Brojen Sharma(X)
English : Haridash Sharma(X), Subash Singh(X&XII), Miss Ratna M(X)
Maths : A. Nandakishore(X&XII), Ch. Ibomcha (X&XII)

◆ Van service & Hostel facility are available

For more details contact Office of KIME TUTORIALS